# ঙাইবা ৱারবা নুমিৎ - জুন ৪, ২০২৪

হৌজিক ইন্দিয়াগী ১৮শুবা লোক সভা শেম্নবগীদমক মীখল (ইলেক্সন) পাঙথোক্লি। তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা খায়দোক্লগা পাঙথোক্কদবা ইলেক্সনসিগী তাঙ্কক মরি লোইখ্রে। অহুম ৱাৎলি। মঙাশুবা তাঙ্কক্কী মীখল হয়েং (মে ২০, নিংথৌকাবা) পাঙথোক্কনি। পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৩৮০গী মীখল পাঙথোকখ্রে, ১৬৩গী মীখল ৱাৎলি। লেমহৌরিবা সিটশিং অসিগীদমক মে ২০, ২৫ অমসুং জুন ১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিং, মমাঙগী ফেজ মরিদুদগী হেন্না মরু ওইরিবগী মরম অনীনি। হান্ননা পাঙথোকখ্রবা সিট ৩৮০সিগী মনুংদা মরু ওইবা কোঅলিসন অনী (এন দি এ অমসুং ইন্দিয়া) কয়া কয়া ফংনরবা য়াবগে হায়বগী কালক্যুলেসন লৈনরম্লনি। এন দি এগী ওইনদি গুজরাত্তগী সিট অমা লম্বা য়াওদনা ফংখ্রবনি। কোংগ্রেস মীরেপ অদুবু, নোমিনেসন ফাইল তৌরগা, করম্না ৱিথদ্রো তৌহনখিবা - নুংঙাইবা ৱারী অমনি। সোসল মীদিয়াদা ফংবনি, পাবীয়ু। কোল্লমসিদদি লীজররোই, কনাগুম্বনা লান্না লৌখিনি। কোঅলিসন কাঙবু অনীমক্লা ক্লেম তৌনৈ - মখোয়না মশীং হেন্না কাগনি। অদুবু, লৈঙাক শেম্বা ঙম্নবা মথৌ তাবা মশীং অদু য়ৌনদি অনীমক্লা ফংনরোই হায়বসিমদি অচুম্বনি। কনানা লৈঙাক শেমগনি হায়বদু লেমহৌরিবা ফেজ অহুমসিনা লেপকনি। মরম অসিনা, লেমহৌরিবা তাঙ্কক অহুমসিগী কেম্প্যেন মীটিং- কাঙলূপ অনীমক্কী ষ্টার কেম্প্যেনর/মরু ওইবা ৱাঙাঙলোইশিংনা ভোটরশিংদা পীবা থাজবা অমদি পূক্নিং খোনবা ঙম্বা/ঙমদবা - মখোয়গী লাইবক লেপ্নফম্নি। অদুগা, হেন্না মরু ওইরিবদি- মীফমশিং অদুদা মখোয়না করি হায়রম্বা/করি ইস্যু পুখৎলম্বা হায়বদুনি। অমুক্কা হেন্না মরু ওইরিবনা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি মশামক, য়ু পিগী ‘বেনারস কন্সটিট্যুএন্সি’দা লেপকদৌরিবা মরাইবক অসিনি। অয়াম্বনদি থাজনৈ - মার্জিন চাউনা হেন্দুনা মোদিনা মায় পাক্কনি... ফম পায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর অমনা লেপ্পা মীখলবু চিংননীংঙাই করি লৈ? অদুবু, ওপোজিসন পার্টিনা হায়রিবা ‘মীয়াম্না মীহুৎ খনবনি, মায়থীহৈদবা মীরেপ লৈতবনি, এনিবোদি কেন ৱিন, এনিবোদি কেন লোস ইন এন ইলেক্সন’ হায়বসিসু চুমদবা নত্তে। Pride goes before a fall হায়বা ৱাহায় লৈ। ইপা ইপুশিংনসু হায়নরম্মি ... ‘ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্কাক্লা ফমদেকই’।

ঙসিগা থানা নুমিৎ তরাতরেৎনি খক্তা ঙাইরে - মীখলসিদা কনানা মায় পাক্তৌবা, কনানা মায় খূদৌবা! খঙলনি। নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লায়েন্স’ কী অহুমশুবা লৈঙাক অমা শেমগদ্রা? নৎত্রগা, রুল্লিং পার্টিনা তত্তনা করেম কথায়নবীবা ... ‘ইন্দিয়ন নেসনল দেমোক্রেটিক ইনক্লুসিব এল্লায়েন্স’ (ইন্দিয়া) হায়বসি ‘থগ’ (ওইদ-পাদ-ফত্তব-তৌবা) শিংগী পার্টিনি... অঙাংগুম্না কোক য়াওদবা (পপ্পু) অমনা লুচিংবনি... হায়বনচিংবা ৱাহৈশিংসিনা খোয়শাউনহল্লবা লুচিংবশিংগী অপূনবা খূৎপু অসিনা থাজদনা লৈঙাক পায়খি’দ্রা? গোদি মীদিয়া (মোদিনা মতম্পাক্তা পম্বা মীদিয়া হাউজশিংগী, মীদিয়া জর্নেলিষ্টশিংনা থোনবীবা মিং) অমদি সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা, য়ুট্যুবকী খূথাংদা মীয়ামদা পাউ পীরিবশিংগী রিপোর্ট- মান্নদবা পাউ মখল মখল অনীনি ঐখোয়গী নাকোংদা য়ৌরক্লিবা। মীখলসিগী ভোট খোম্বা হৌনরকপদা মোদিনা লাউখি থাজনা - ‘অবকী বার চারসৌ পার’... হন্দকমুক্তি চামরি হেন্না। মশানা মশাদা কা হেন্না থাজরবা লুচিংবা অমগী খোল্লাওনি। অপূনবা এম পি চামঙানিফুহুমদোইগী মনুংদা মহাক্কী পার্টিনা চামরি হেন্না কাগনি। ১৯৮৪, ইন্দিরা গান্ধী শিখ্রবা মতুং পাঙথোকপা লোক সভা মীখলদা, মীখল পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৫১৪গী মনুংদা রজিব গান্ধী’না লুচিংবা কোংগ্রেস পার্টি’না ৪০৪ ফংখিবা, মতম খরা লৈরগা পাঙথোকখিবা লেমহৌবা সিটকী মীখলদা অতোপ্পা তরা অমগা ফংদুনা, অপূনবা সিট ৪১৪ ফংখিবা, অদুগুম্বা তানফমদি হন্দক্কী ২০২৪ লোক সভা মীখলসিদা ওইথোক্কনি থাজদে। চহী তরাগী মমাঙদা হৌখিবা ‘মোদি-ঈথক’ অদুদি হৌজিক লৈতরে। ২০১৯গী ১৭শুবা মীখলদুদসু অদুক হাক্লা কনবা ‘মোদি-ঈথক’ লৈখিবা নত্তে। মীখলদুগী হেক মাঙওইননা পাকিষ্টানি মিলিটেন্টশিংনা ইনশিল্লগা ইন্দিয়ন-আর্মিদা চথুরকখিবা, কাশ্মীরগী বালাকোট অমসুং পুলৱামা টেররিষ্ট এটেক অদুনা মতমদুগী মোদি-লৈঙাক অদুদা মীয়াম হুপ্লা শৌগৎতুনা অনীশুবা টর্ম অমসু লৈঙাক-থৌদাং পুহন্নবা শক্তি শিন্নখিবনি।

২০১৪ ইলেক্সন’দুদগী হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স অমা ২০১৯দা উৎখিদুনা মোদি’বু হেন্না মথোয় কাহনখি। গভর্ণমেন্ট পায়বা হায়বসি কল্লেক্তিব রেস্পোন্সিবিলিটি অমনি হায়বা অসি কাউথোকপগুম, ৱান-মেন-শো অমগুম খল্লকপগী মমি তাখি। চাউখ্রবা ইন্দিয়া লৈবাকসিগী কাচিন-কোয়া, সহর-খুঙ্গং, চীংনুং-মান্নুং, লৈরক-কোন্সাং, মোদি-মোদি-মোদি ... মাগী খোম্থাং নীলহনখি, ফোটোনা ৱাই চাইহনখি। এন দি এ কৌবা এল্লায়েন্স নৎত্রগা বি জে পি কৌবা পার্টি অমনা লৈঙাক শাসন তৌরিবনি কাউথোকহনখি। পীকপদগী পীক্লবা থবক অমদগী সনজীংগুম্বা লৈঙাক্কী থবক খুদিংমক ‘মোদি’ কৌবা মীশক অদুনা তৌবগুম্না উহনখি। ‘মোদি কী গরেন্টি’... নেসনল/রিজনেল/লোকল মীদিয়া করম্বদা ফোঙখিদবা য়াওবগে? চামল্লবদি ওনীংলকই হায়নবগুম, উমল্লবদি য়েংনীংলক্তবা - মীওইবগী মচৎনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন তারবা ৱাহৈ, নাকোং ৱাই চিল্লকপগুম... ফজরবা ঈশৈদু হঞ্জিন-হঞ্জিন তারবদি অতোপ্পা অমা তানীংলকপা হৌনশানি। মদুমক্নি থোক্লিবা। অবকী বার চারসৌ পার- হায়বা খোল্লাওদু বি জে পি নৎত্রগা এন দি এগী লুচিংবা অমত্তগী মচীন্দগী তাখিদ্রে। মীয়ামগী নাকোংদা চঙলরোই - খঙজরকপা মাল্লি মশা’না।

১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ৱা খন্নরকপদা, রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী লুচিংবশিংনা, কেম্প্যেন মীটিংশিংদা ঙাঙনবা, শক্লবা, হুন্নবদু নত্তবা ৱাফম খরদি ৱারেংসিদা তঙাইফদনা পন্নীংই। অনৌবা নত্তে। পাউচে পাবা/ন্যুজ-চেনেল য়েংবা মীশিংদদি ৱাফম অসি অনৌবা ওইনা থোক্লোই হায়বসিদি খঙই ঐ। অদুবু পাউ অসি অয়াম্বনা, মমূৎ তানা ইদবা/নৈনদবা ওইবনা অয়াম্বনা খঙনরমদে। মরম অসিনা, মরু ওইবা ৱাফম খরদি পন্নীংলুবনি মতাংসিদা।

অহানবদা, ‘ইলেক্তোরেল বোন্দ’! মমিং অসি তাবদা, ফমা লাইরিক হৈবা মীওই অমা ওইরবসু তাপ হেক খঙগদবা ৱাহৈ নত্তে। অচৌবা হীরম অমনি। পাক্লা-শন্না নৈনরগুমসি। পোলিটিকেল পার্টিশিংদা মীয়াম্না কখোকপা/দোনেসন তৌবা শেনফম অমগী মমিংনি। ‘ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া’ খক্তগী খূথাংদা পীগদবা শেনফম! পীরিবা মী (দোনর) অমসুং ফংলিবা মী (দোনী) দুগী মমিং-অরোনবা ওইনা থমগদব! দোনর ওইরিবা (বোন্দ অদু লৈরিবা) মীশক অদুনা পীনীংবা পোলিটিকল পার্টি অদুদা পীরগা পার্টিদুনা বেঙ্ক’তুদগী কায়থোক্লগদবা। মীখল নকশিল্লক্লবা মতমদা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্ট’কী য়াথং অমনা থৌওং অসি চৎনহনখিদে। কনানা কয়া (শেনফম) ফংনবগে হায়দোক্লবা খঙহনখি। বি জে পি’না অয়াম্বা শরুক ফংলমখি। সুপ্রিম কোর্ট’না হায় - থৌওং অসিনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগা শেঞ্জাও পায়বা কনাগুম্বা খরগগী মরক্তা অরোনবা মরী শাগৎপদা মতেং ওইবা য়াই।

অনীশুবা ৱাফম অমনা, চহী খরগী মমাঙদগী কন্না ঙাঙনরক্লবা ৱাফম্নি - এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন’নচিংবা সেন্ত্রেল এজেন্সীশিংবু সেন্ত্রেল গভর্ণরমেন্ট’না খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা রাজনিতিগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরে। শীরিবা মরাল অসি অচুম্বনি হায়বা য়ানবা ওপোজিসন’না হায়রকই - ‘ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত সোরেন অমদি দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু মীখল নকশিল্লক্লগা ফাদুনা জেল’দা থমজিনবা- ওপোজিন-এল্লায়েন্সকী মপাঙ্গল শোম্থহন্নবা তৌরকপা ইভিল দিজাইন অমনি।

অহুমশুবা ৱাফম - মেইন ওপোজিসন পার্টি, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী বেঙ্ক একাউন্ট থিংজিনবা। পোলিটিকল পার্টি অমগী ফাইনান্সল ত্রান্সেক্সন তৌবা য়াদনবা বেঙ্ক একাউন্ট থিংজিনবা হায়বসি, অদুসু খ্বাইদগী চাউবা ইলেক্সন অমা পাঙথোক্লমদাইদা - পার্টিদু মপাঙ্গল শোম্থহন্নবা পায়খৎলকপা অখন্নবা থৌরাং অমনি - হায়বসিমদি চেনবা য়াররোইদবনি।

অদুবু, থোকখ্রবদি থোকখ্রেদনা। হৌখ্রবা মতম অমুক হল্লক্লরোইদবনি। জুন মরি য়ৌরকপদা খঙলনি - থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিদা মীয়ামগী রিএক্সন করিনো? অচুম্বনা মায় পাকপরা? অঙম্বনা ঙম্বরা? ●

-*ইন্দ্রকুমার*

# শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী ‘খোরিরোল খোঙচৎ’ কছার অমসুং ত্রিপুরা (৬)

অয়ূক অঙনবদা হৌগৎতুনা ৱাকিং চৎপা হায়বসি ঐগীদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৈনবীনি, মসি থাদোকপা ঙমদ্রে। ঐখোয়গী কাদুদা ঐখোয়গী খোঙবুশিংদো মচি অমত্তা লেঙদনা লোইনা তূম্নরি। অয়ূক পুং ৫ মুক তারম্লদ্রা ঐনা মীকপ থোরকপদদি খ্বাইরাকপম বুদ্ধ মতোমতনি হৌগৎপা উবসি। ঐনা “বুদ্ধ লাও ৱাকিং চারুসি” মাসু - হোয় য়াম্ফং হায়রকই। কুমথরে, অদুবু হোষ্টেলদুগী য়োৎকী গ্রিলগী থোঙদু লোল্লম্মী। চৌকিদারগী ফোন নম্বর থেৎলম্মী থোঙদা। ফোন তৌরগা হাংদোকহল্লি। ঐখোয়না লৈরিবা সহীদ ভগৎ সিংহ য়ুথ হোষ্টেলগী হেক মায়োক্লবদা ত্রিপুরাগী ষ্টেট গেষ্ট হাউস লৈ। মখোয়গী চঙফমদু ফজৈ। ইঙম ঙমদনা কোয়লাস মুশিন মুনা লম্বী অমা শাংনা লোইরোই চঙবদু উরগা চঙনীংবা ফাওহল্লি। মচিন্দা সিক্যুরিটি গার্দকী শঙ মচা অমা লৈ অদুবু ঐখোয় অদুম চঙশিল্লি। শঙ মচাদুদা দ্যুটি তৌবা মী অমত্তা লৈরমদে। ঈরাংসি মখোয়নদি য়াম্না হন্থবজাৎনি। ঐখোয়গীদি ঈরাং ফত্তবনা পুলিসনা অদুম চঙবা য়াদে হায়রক্কনি। ফজৈ মফমদু। লৈ মরাং কায়না থাই। য়েংনীংবনা সুম-সুম চঙশিনবদা ফজরবা গেষ্ট হাউসতুগী বিল্ডিং উরে। বিল্ডিংদুদদি চঙশিল্লুদ্রে। ফ্লেগ পোষ্ট য়াওবা কার ময়াম অমা খাম্বা উই। বুদ্ধগা ঐগা ফোটো ফনয়াম নল্লকই। মী অমফাও থেংনদে অদুবু অকিবা অমদি ফাওই কুইনা লৈবদা মফমদো। অদুদগী থোরক্লগা ঐখোয়গী লৈফমদুগী লম্বীগী ৱাংমদা ফজ খ্রবা অচৌবা পূখ্রি অমা লৈ। পূখ্রিদু রানি অমনা কৎলম্বা পূখ্রিনি হায়। পূখ্রিদুগী মমিং ‘রানির পুকুর’ কৌই। ত্রিপুরা লৈঙাক্না স্মার্ট সিটি শেমগৎপগী স্কিম অমগী মখাদা নান্না শেমজিনবনি। অকোয়বদা ৱাকিং চৎফম লম্বী মচা অমা ইকোই কোইনা শেম্মী। গার্দেন চ্যের মফম চানা খরা থাই। ফল্লগা পাল্লবা পূখ্রিগী ঈশিংদুদা য়েংবদা ঙানু জুরা-জুরা কয়ানা নুংঙাইনা হরাও মথোই কানা চাক্তাজরি।

অমরজিৎসু থোরক্লে, ৱাকিং চৎপদু মাসু য়াওরে। ঐখোয়না লৈরিবা হোষ্টেলদুগী অৱাং থংবা নাকলদা লৈবা লম্বী অমদা সুম চঙলুবদদি বাইও দাইভর্সিটি পার্ক কৌবা উমং মচা অমা লৈরম্মী। চঙফমদুগী দিজাইনসু ফজৈ। শামুগী মীতম অনীনা গেটতুদা খিল্লগা থম্মী। সিটি ময়ায়দা অশং-অমান মাঙহন্দনা লৈহনবসি ত্রিপুরা লৈঙাক্কী থোইদোকপা মগুণনি হায়নীংই। ঐখোয় ৱাকিং হল্লক্লগা ঐখোয়না লৈরিবা হোষ্টেলদুগী লম্পাক অমদা খিল্লিবা সহীদ ভগৎ সিংহগী মীতমদা সেল্যুট তৌদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলুরে।

নুমিৎতুগী অয়ূক পুং ৮ অদুৱাইদগী ঐখোয় সাইট সিয়িং য়েংবগী প্রোগ্রাম লৈ। অহানবদা ঐখোয় আগরটলাগী অভোয়নগরদা লৈবা ইবুধৌ পুথিবগী লাইফমদা, ইবুধৌ খুরুম্বা চৎচৈ। লাইগী কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তরাম্না ওকপীরম্মী। ঐখোয়না আগরটলাগী লাইনিংথৌ পুথিবা হরাওবা অসি কুইরে অদুম তারকপা অদুবু হকথেংননা চৎতুনা খুরুমজবা ফংজবসি ওন্থোক্লা অপেনবা ফাওজৈ। ইবুধৌ পুথিবনা খঙবীদুনা চানবীরবনি। ইবুধৌবু হন্না হন্না খুরুমজরি। লাইফমদুগী গেট হেক লানশিনবগা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীরিবা ময়ামদুগা খূৎ লোন্নে, মতমদু অয়ূক পুং ৮.১৫ মুক তারম্লদ্রা। ওজা সরতচান্দনা ইবুধৌগী মশাইকোন্দা লাকপগী মরম অমসুং মণিপুরদা ওইহৌরিবা ঈরাংদুগী লাল্লকসিদা মীতৈ ইরৈচা কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরিবা মফমসিদা ঐখোয়না থেংনরিবা অৱাবা কয়াবু তমজবা অমসুং লমদম অসিদা চোইনা খুন্দাদুনা লৈরিবা ইরৈচা কয়াগা নুংশি মরী হেন্না চেৎশিলহনবগী তঙাইফদবা তানফম অদু য়ৌরকপদগী লাকচবনি। ঐখোয় পূক্নিং হন্থবা য়াদে, ঐখোয় খূৎতা কলম পায়রগা খোরিরোল শূরিবশিংসু মরৈবাক নুংশিবা ফাওরিবনি। হায়নবা লৈ কলমনা থাঙদগী হেন্না থৌই। মণিপুরগী ৱাংমদা মীতৈ ইরৈচা কয়ানা ঐখোয়বু ইকোই কোইনা ঙাক শেনবীরিবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা লাকচবনি হায়না ময়ামদুগী মফমদা থম্মী। অকোনবদা ঐখোয় খোরিরোল খোঙচৎকী মেম্বরশিংবু অমমম ওইনা শক তাকই ওজা সরতচান্দনা। ঐখোয়গী খোঙবু ম্যান্মারগী ঐজ্তা ফুরাইলাৎপম চন্দ্রকুমার শর্ম্মনা ম্যান্মারদগী ইবুধৌগী লাইশঙদা খুদোল তম্নবা নূঙঙৌনা শাবা কংলা শাগী মীতম অনী অমসুং পে (ছাতিন) অমগা ইবুধৌ পুথিবা ৱেলফ্যের কম্মিটিগী সেক্রেটরি শ্রী সিনাম দিপককুমার সিনহা অমসুং শ্রী ময়েংবম নিলকমল সিংহ, পুথিবা লাইগী শেলুংবদা খূৎশিন্নৈ। কম্মিটিসিগী মরু ওইবা মেম্বর অতৈ ওইনাম হরিবাবু অমসুং অতৈ খরসু থৌরম অদুদা য়াওই। ঐখোয় খোরিরোল খোঙচৎকী মায়কৈদগী পুকচেল শেংনা হৌজিক নৌনা শাগৎলিবা লাইশঙ অসিদা নূঙ মচা অমত্তা ওইরসু, য়োৎ মচৈ অমত্তা ওইরসু য়াওবীয়ু হায়না অঙম্বা লুপা লিশীং ৫ কৎচরম্মী।



ওজা সরতচান্দ অমসুং চন্দ্রকুমার শর্ম্মনা পুথিবা ৱেলফ্যের কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা খুদোল তৌবা (ওই) অমসুং রিতা থোকচোমনা মনম্মা সুক্লাগা কাইনরমদাইদা কপমিন্নবা

খরা কুইনা লৈথদুনা পুকমেল পাউমেন্নবা য়াবদু মথংগী প্রোগ্রাম ওইনা চৎকদবা রথানগরগী ‘রধা মাধোপ দেবতা বারি’ দা ঐখোয়বু ওক্লবা ঙাইদুনা লৈরে তাকপীরকপদগী নুংশিরবা ইবুধৌগী মশাইকোলসিবু থাদোক্লমদাইদা ঐখোয়গী খোঙবু রিতা থোকচোমনা থৌরম অদু য়াওবা লাকপা অভোয়নগর, নোংথোম্বম লৈকায়গী মহাক্কী মনম্মা নোংথোম্বম সুক্লাগা কায়নরমদাইদা কোনশিন্নদুনা কপমিন্নবদু উবদা ঐহাকসু য়াওনা মীৎলু পিরাং ঈহৌরকখি। ঐনা খনখি, নুংশিনবা হায়বা অদু অসিনি, ইতৈমা সুক্লা ক্কাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা থোকচোম অচৌবগী লোয়নবীনি। অচৌবা অসিনা রিতাগী মবুংনি। অচৌবনা ত্রিপুরা ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজদা বি ঈ তম্লিঙৈদা খঙনরকপদগী ইম্ফালগী ক্কাকৈথেলদা য়ূম্বাল্লকখিবনি। অপীকপা অঙাং অনী হুন্দোক্লম্মী। মচানুপী সোমানা অহলনি। সোমাগী মৌপ্পানা সোমোরজিৎনি। মপুরোইবা ঙন্না কায়নখিবদগী দাই ইন হার্নেসতা ইলেক্ত্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা ক্লার্ক ওইনা থবক তৌরম্মী।

য়াম্না নুংশিবা ৱারী অমনা নৌনা মপা কায়নরবা অঙাং অনীদো অপোকপা মপা মশক খঙহৌদে। থবক্তগী পোখারবা তুংদা ত্রিপুরাদা মচা নিঙোল সোমাদু মীতৈ নুপা অমনা লৌদুনা য়ূম পানখ্রবদা নুংশিরবা মণিপুর থাদোক্লগা মপাম লমদম ত্রিপুরাদা লৈখিবনি ইতৈমা সুক্লাদো। মচানুপী সোমাদু ত্রিপুরাদা নর্স তম্লবা তুংদা থবক তৌরে। সোমাদু ইম্ফালগী লিট্ল ফ্লৱর স্কুলদা শৈশকপা বোবিনগা লাইরিক তম্মীন্নরকই হায়। হৌজিক ফাও খঙনরি। য়াম্না থাজদনা মবানি রাধা মান্দোপ দেবতা বারিদা থেংনবদা ইঙক ঙক্লখি। সোমাগা বোবিনগা কোয়নদনা ৱারী শাবদু উরগা বোবিনগী লোয়নবী ঙানবী চনুদি ইঙক ঙকখি। ৱারী অদু খঙলবা তুংদা মখূৎ-ও মশা-ও মখোয় মশেল ৱা-ৱা নোকমিন্নখি। ●

**-আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# বাংলাদেশ মণিপুরী কবি নামব্রম শংকরগী অহানবা শৈরেং লাইরিক ‘নুংশিবী’ - লাইরিক অসিগী থম্মোয় পাউদম

নামব্রম শংকর সিলহেট সহরগী নয়াবজারদা কুমজা ১৯৭৩গী জন্যুৱারী ১৭তা পোকপনি। মহাক্কী অপোকপা সিলহেট লৈবাক পঞ্চায়টকী ঈশৈ শকপা ওইবীরম্বা কর্ণমণি কৌই অমদি অপোকপীগী মিংনা শ্যামা দেবী কৌই। য়ূম্বাল পূন্সিদা অপরনা সিনহাগা য়ূম্বানদুনা মচা নুপা অনী আহেন অমসুং আথোইগী অপোকপা ওইজবা ফংজখি। মেন্দিবাগ সরকারী প্রাথমিক বিদ্যালয়, রাজা জি সী হায় স্কুল মথংদা এম সী কোলেজদগী সোসিওলোজিদা এম এ পাস তৌখি অমসুং মতম কুইনা দেইলি সিলেটর ডাক পত্রিকাদা থবক তৌরম্মী। বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী অচঙবা থৌমীনি। সোসল এক্টিভিষ্টনি।

চৎলিবা লম্বেলসে খুন্নাইনা অমসুং পূন্সিনা পন্থুং অমমমদি লোইনা লৈরি। অদুবু পন্থুং অদু য়ৌঙমদনা খাঙুথক্তা পূন্সি থাওমৈসু মুৎখিবা কোঙ্গাইনি। অদুবু মসিমদি নীজবা য়াইনা হায়না হেক হেক খল্লকপা মতাংসু লাক্লি পূন্সিদা অদুগুম্বা তাঙ্ককশিংদা পূক্নিং অনী লোঙদনা নীজনীংই য়াইফথৌনি অমা কবি শংকরনসু পোক্লফম লমদম নুংশিবী মণিপুর মহাক্কী অমসুং লমদম অসিদগী চাদা নাওদা শন্দোকখ্রবা মখোয়গীদমকসু য়াওনা। অমুক-অমুক আশাদি লৈরবসু পূক্নিং ৱাখলদি মরক্তা শোন্থরকপসু য়াওদবা নত্তে। মসিবু সিম্বোল ওইনা শীজিন্নরি থাওমৈনা। অদুনা নুংশিবা থম্মোয় মপাউ অমা চেল্লক্লি শৈরেং অসিনা য়াকাইরোল শক্লদুনা। ‘নিজবা’ - *অঙাংবা অশংবা থাওমৈনা চাকথেক্লে/মীৎ অসে/ৱাখলসে/উশিল্লকত্রে ফজবা, নুংশিবা কাউথোক্লে/কুপশিল্লক্লে ভৌদোংনা নিংথিরবা থাবল/মকশিল্লে/মমশিল্লে/কাউথোক্লে ঐখোয় ঐখোয়গী পন্থুংফম/মৈরি পীকথরক্লবা থম্মোয়গী থাওমৈ/থোইনা ঙাল্লসনু থম্মোয় খুদিং।”* (লা: ১০)

পূন্সিদা ওনশিল্লদুনা করিগুম্বা হেক-হেক ৱাহং হংনীংবা ফাওরকপা তাঙ্কক কয়া মীওই মপোক্তা পোল্লবা মীপূম খুদিংদা ফাওরকপা ৱাখল অমনি। নুংঙাইরবা মীকুপশিংদদি ৱাহং হংনীংবগী মতম থোল্লক্তে। মরমদা নুংঙাইরবা মীকুপশিংদা পূক্নিং থম্মোয়না মকা লাম্না লৈরুবনা। তৌইগুম্বসুং মীওই মপোক্তা পোল্লগা তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিং, থাংলুবা খোঙথাং খুদিংদা খুরৌ থাংবা, লাইবক মপা চুমদবা, অৱা-অনা, মীশি-মীনা থেংনরবা খুদোং চাদ্রবা মতমদদি ৱাহং কয়া থোল্লকই, অদুনা হংনীংলকই পূন্সিদা ওনশিন্দুনা করিগী অসিগুম্বা অৱাবসি থেংনহল্লিবনো হায়না। করিগুম্বা মতমদনা তাইবঙ শেম্বা মপূদা ওনশিল্লগা নিন্দা তৌবসু য়াওদবা নত্তে। মসি পূন্নমক তাইবঙগী হৌনশানি। পোল্লবদি নোংমা শোয়দনা শিবা তাবনি। অৱাবা লম্বেল লৈরবদি নুংঙাইবা লম্বেলসু লৈফম থোকই। অদুবু ৱাহংদি হংনীংই কবিনা পূন্সিদা। শংকরগী ৱাহং হায়না মিংথোনবা য়াম্না তেনবা শৈরেং অসিদা অসুম্না ইরি - *“অৱাবা মচুগী কল্লবা লম্বেলসিদা/নঙসু চৎলি/মাসু চৎলি/ঐসু চৎলি/অসুম কয়ানি চৎখিনি, কয়ানি?”* (লা: ১১) ৱাহং ময়াম মরক্তা ঐখোয় পূন্নমক চৎলি পন্থুং অমগী। করম্বা মতমদা য়ৌগনি হায়বা কনানসু হায়বা ঙমদে। মসিনি পূন্সিগী নুংঙাইবসু। রুমিনসু হায়, “Be like a tree and let the dead leaves drop” অরিবা উনানা কেনখ্রগা অনৌবা য়েন্নিং চোংলকপদুসু পূন্সিনি। অহিংবনি অমসুং আশানি।

হাইকু শৈরেংগী মওংদা ইবা পরেং অহুম্না শাবা ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা শৈরেংসু য়াওরি কবি শংকরগী লাইরিক অসিদা, অমুক্তা য়েংবীয়ু মখাগী পরেংশিং অসি - শৈরেং মমিংসু ‘ঐ-নঙ-মা’ হায়না মিংথোল্লি। *“অমা - খৈদেনদগী মমল তাঙনা লৈরকপা/লুনা পামুনা শিজিন্নরবা পোৎচৈ/মথৌ লোইরগা মল্লক্লে হায়না হুনজেক্লবা’* মসি কয়াদা ফজরিবা শৈরেং খূৎইনো। মসি মহৌশাগী থৌইনশিন্দি নত্তে মীওইবগী কান্নবতা উবা অমসুং খনবা পূক্নিং মতা অদু ফোঙদোক্লি। কান্নরমদাইদা মরুপ শান্নবা, ওইজবা থিবা পুকচেল অদুগী মশক্লি। কান্নদ্রবা হন্না ফাওবা হেক য়েংদবা ফজদবা হৌনদবা মীওইবগী ফত্তবা লীচৎনি হায়নীংই। মসি কবিদি কয়া পামজদনা ইরি। অদুগা অনীশুবা শৈরেংগী পন্দুপ্তুনা- *“ইন-খোনবনা কান্নদ্রবনি খন্দুনা হুন্দোক্লম্লবা/থীরবা কোঙগ্রেংগী মনুংদা/নোংমা নোংমগী মপূং ফারক্লবা মুক্তা।”* লৈখোম লৈনাং মরক্তা ফজরবা থরোনা ফুগাইনা শাৎলদুনা নুংশিবা লৈনম য়েনবগুম্না চংখোল্লি পন্দুপ অসিগী শৈরেংসিসু। অচাওরম পাম্বা কনাগুম্বনা পীদোল্লবী য়ূমগী নুপীবু হুন্দোক্লমদুনা অতোপ্পা নুপী লৌখ্রবা মতুং মমা অদুনা মচাবু মী ওইহন্নবা হোৎনদুনা লায়রবগী ফদি-ফরা মরক্তা মণি-মুক্ত সনা হি য়াই ফংবগুম্না থোকপসু য়াওদবা নত্তে। অরংবা খুদিং সনা নত্তে অদুগা পাৎথী কোমথী মরক্তসু হি য়াই থোকই হায়বনি। পূন্সিদা থাজবা থম্মু অরং অরাক্তা হেন্না মীকাবসু মাঙজবা লাকই হায়বদু তাক্লি। ফজরবা ইমেজরি ঙাক্তনি মফমসিদা শীজিন্নরিবসি। অদুগা অহুমশুবা অরোইবা পন্দুপ অসিদা অমুক ইরি, *“মীনা শিজন্নদ্রবা ঈশিং অপুম্বগী খোংবান/হঙোই ঙাচ্রেক মরক্তা/হরাওনা জগোয় শারবা শরেং”* (লা: ১৩) পন্দুপ অহুমসিদা ফোঙদোক্লিংবসি পূন্সিবু লুনা পাম্মুনা য়েংহন্নীংবা ইঙ্গিৎ ফোঙদোকপা থেংনৈ। পূন্সিগী খোঙথাং অসিমকসু চেকশিন্না চৎহন্নীংই।



লাইরিক্কী মমিং :-
**নুংশিবী (২০১৫)**
অইবা :- **নামব্রম শংকর**
অফোঙবা :- **বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, তাবোপন লমা বজার, সিলহেট**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মখুম :-
**এন যোগেশ্বর অপু**
লাইরিক্কী মমল :- **টাকা ১০০/-**
লমায় মশীং :- **৪৮**





নেসনেলিজমগী স্পিরিট মপূং ফানা ফোঙদোকপা অদুগা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংগী মতিক ময়াই নীংথিজনা হাপ্পবা শৈরেং অমসু য়াওরি, ‘কনানা হায়রিবনো’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা। শৈরেংদি পংশাং শাংবা নত্তে অদুবু মতিক ময়াই য়াম্না চেল্লি। কবিনা হংলক্লি, *“কনানা হায়রিবনো/লমজাওদা ফাঁসি পীখি মা’বু?/ইমা লৈবাক কনবগীদমক লান্থেংনখিবা/থৌনা ফরবা কনাবু হাৎপা ঙমখিবগে/কৈদৌঙৈ কনানা?”* য়াম্না ফজবা পরেংশিংনি। তাইবঙ মীওই মপোক্তাপোল্লগা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোম্থা পীখিবা অথৌবশিংদি শিবা নাইদনা লৈহৌরি। শোন্নরি মখোয়গী মিংলেনবু তাইবঙনা। অদুনা কবিনা মখোয়দি হাৎপা ঙমদে চঙনা লাইরৈবাক তানখ্রবনি হায়বসি ফোঙদোক্লিংবনা ৱাহং অসি হংলিবনি। মমা লৈবাক মরমদমগীদমক হিংখিবা থৌনা ফরবা মখোয়গী মতিক ময়াইবু অসুম্না অমুক ইরি, *“মখোয়গী কল্লবা নুঙগী থবাক/করম্বা ব্রহ্মস্ত্রনা থুগাইগনি?/মখোয়গী লৈবাক নীংবা লাইনীং/করম্বা অপসরানা কায়হনগনি?/মখোয়গী মপাল নাইদ্রবা মখূত্তা/কনানা, করম্বা থৌরীনা পূনগনি/কনানা হায়রিবনো/লমজাওদা ফাঁসি পীখি মা’বু?”* (লা: ১৪)

খুন্নাই অমা অনাবা ওইরে হায়বসি করিদা খঙবা ঙমগনি হায়রগদি মখোয়গী লৈবাক অদুবু লুচিংলিবশিং অদুগী থবক থৌওংশিংদা অদুম উবাফংগনি। মসিবু কবি নামব্রম শংকরনা ফজরবা ইমেজরিদা অসুম্না মিংথোল পীরি ‘লাইকোই’ হায়না মিংথোন্দুনা। “নশাদা হাকৎচরিবদো লাইকোইনি/লৈবাক মাইবা য়েংহল্লু/লৈবাকথৌবুরেল খিবিক্লা তাকপীখি/ঐদি ৱাখলনা লাম্বা ফংদে/মখোয়না শেম্বা লৈবাক্কী মশাগী/শাথীরবা লাইকোইগীদমক/করম্বা মায়বা য়েংহনগনি।” (লা: ১৭) অনা লায়কন্নরবা খুন্নাই অমগী মশক অদু উবা ফংই। মসিগী হৌরকফমদি ঐখোয় মীয়ামসু য়াওরি ফত্তনবা শিনবদা অদুবু লুরিবদি লুচিংবা ফত্তবা লমদমদা মীয়ামদি অমুক্তা হেন্না শাথিবা অনাবনা নারকপা তাবনি। অদুনা অসিগুম্বা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিদা কবিদি চমন্নবা মতৌদুনি শৈরেং অসিদা উৎলিবসি।

ইমা মণিপুর নুংশিনা য়েংদুনা ইরকপা শৈরেংনি, ‘ৱারবী ইমা’। ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা লান, কাঙলূপ-ফূরুপশিংগী মুক্লবা, ব্লেক লোগী চৈথেং পূন্নমক অসি য়েংলুবা তারুবদা তেংথাদবা ঙমদে ইমাবু পোল্লিবী ঐখোয় পূন্নমকপু নাওকোল্লিবী পোক্লফম লমদম ইমা মণিপুর মহাক্কীদমক কবি নামব্রম শংকরনসু। অদুনা ইরক্লি, “শক ফজবী লন লৈবদো/মীগী মমানি/শক থীরবী চৎপা ৱারবীদো/ঐগী ইমানি/সোদিয়ম থাওমৈ ঙালহৌবদো/মীগী সহরনি/ব্ল্যাক আউটনা মমহৌবদো/ঐখোয়গী লৈফম্নি।/তাঙলবা পাজেরো চেলহৌবদো/অতোপ্পা লম্বেলনি/নোংমৈ তম্না জীপ ঙংহৌবদো/অদুনা ঐখোয়গীনি।/ৱারবী ইমা নঙসে হৌগৎলো/নচা ময়ামসে চেৎনা কোনশিল্লো...” (লা: ৩০) য়াম্না নুংশিবা শৈরেংনি। রিএলিটিদগী খক নাম্থোল্লগা লৈবা ঙমদে কবিনা। অদুনা ইমাবু কৌদুনা হায়জরক্লিবনি অফবা লমদম অমা উনীংবনা ইখৌ লাংলদুনা।

লৈবাক নীংবা শৈরেংশিং, অথৌবশিংবু শৈথাজবা শৈরেং য়াম্না তেন্না শাফূ কন্না মতিক ময়াই চেনবসু য়াওরি।

টিকেন্দ্রজিৎ : অথোয়বা থৌনা অমা

ৱাংলে নঙসে চীংদোন মাপলদগীসু/পাক্লে নঙগী লাইবক লোক্তাক্তগীসু/নঙগী ফল্লবা থবাক য়েংলুবদা/ইকায়না লুকথখ্রে পাণ্ডব য়াইমা ভীম/মকশিনখ্রে নুমিৎকী মঙাল/ঙাল্লবা নঙগী শকফম উরুবদা/মীথোই নঙগী অহেনবা ঈরিক অদো/চেল্লসনু মীতৈ ঈখোঙ খুদিংদা/সেল্যুট কৎচরি হন্না হন্না/অথোয়বা হে ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ।”

লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৪০ য়াওরি। অহানবা লাইরিক ওইরবসু শৈরেং ফজবা কয়াদি য়াওবা থেংনৈ। মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা লেপ্তুনা লাইরিক কয়া খুদোল তম্বীরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

**- তোংব্রম অমরজিৎ**